

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, FRIDAY, NOVEMBER 09, 2018 **PAGE 7**


*পোলেন্দগী জোলান্টা জাৱাদজকাগী মখূত্তা অনীশুবা মেটচ মায়থিহৌবদগী ৱার্ল্ড চেছ চেম্পিয়ন্সিপ্তুগী লৈহৌরবী ইন্দিয়াগী নুপী গ্রান্দ মাষ্টর কোনেরু হম্পি*

*কেন্সর নারুবদগী ফরক্কুনা মখা তানা বেদমিন্টন মশান্নদা শরুক য়ারগনি ফোঙদোকখ্রবা মালেসিয়াগী বেদমিন্টন ষ্টার লি চোং বৈ*



## এফসি গোৱানা দিল্লি দাইনামোসপু পাঞ্জল ৩–২ দা থোইদুনা ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোলগী পোইন্ট টেবলদা মকোক ওইখ্রে



*এফসি গোৱাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখিবা ইদু বেদিয়াননা হরাওবা ফোঙদোকপা*

*ফাটোরদা, নবেম্বর ০৮ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী থাক ৱাংনা লৈরিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা এফসি গোৱানা দিল্লি দাইনামোস এফসিপু পাঞ্জল ৩–২ দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলগী খ্বাইদগী মকোক্তা লৈখ্রে।

ঙসি গোৱাগী সিটি ফাটোরদাদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগকী মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা ৬শুবা মিনটতা দিল্লি দাইনামোস এফসিগী শান্নরোইশিংনা চথ্বরকখিবা এটেক অমদা বিক্রমজিৎ সিংহনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা য়ুম্বু টিম গোৱাবু ১–০ দা হেন্দুনা প্রেসর পীবা হৌখি।

পাঞ্জল অমা শোত্থদুনা লৈরিবা গোৱাগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা শান্নরকপদা পাঞ্জল হন্দোক্নবা ফনা হোৎনখ্রবসু দিল্লি দাইনামোসকী দিফেন্দরশিংনা ফজনা মায়োক্নখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা গোৱা ০–১ দা শোত্থদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মেটচকী ৫৪শুবা মিনটতা গোৱাগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা ইদু বেদিয়ানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নবা ঙমখি।

শান্নবগী ৭০শুবা মিনটতা দিল্লি দাইনামোসকী মখা তাবা এটেক অমদা লালিয়ানজ্বালা চাঙটেনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৮২শুবা মিনটতা এফসি গোৱাগী শান্নরোইশিংনা চথ্বরকখিবা এটেক অমদা ব্রেন্দান ফর্নান্দেজনা পাঞ্জল অমা অমুক চন্দুনা ২–২ দা অমুক মান্নহনবা ঙমখি।

শান্নবা লোইগদবা মিনট অমা ৱাৎলিঙৈদা য়ুম্বু ওইখিবা এফসি গোৱাগী শান্নরোইশিংনা চথ্বরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা ইদু বেদিয়ানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা দিল্লি দাইনামোসপু ৩–২ দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংবা ঙমখি।

ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং শান্নগদবা মেটচতা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসি অমসুং মুম্বাই সিটি এফসি থেংনরগনি।

## ইন্দিয়াগী সুট্টর সৌরভ চৌধারিনা এসিয়ান জুনিয়র এয়রগন চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড লৌখ্রে

*ক্বেট সিটি, নবেম্বর ০৮ঃ*

ইন্দিয়াগী সুট্টরশিংগী মনুংদা মকোক থোংবা সুট্টর অমা ওইরিবা সৌরভ চৌধারিনা এসিয়ান জুনিয়র এয়রগন চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি মশাগী চহী ১৬ দা ঙাইরিবা মিরুটকী সুট্টর সৌরভ চৌধারি অসি চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা এসিয়ান গেমসতা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখিবনি।

মসিদা নত্তনা চহী অসিগী সেপ্টেম্বরদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অমসুং মমাঙ থাদা আর্জেন্টিনাদা পাঙথোকখিবা য়ুথ ওলিম্পিক গেমসতসু সৌরভ চৌধারি গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখিবনি।

এসিয়ান এয়রগন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল জুনিয়র মেন্স ইভেন্টকী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী সুট্টর সৌরভ চৌধারিনা পোইন্ট ২৩৯.৮ ফংদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।



ঙসি পাঙথোকখিবা মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টকী ফাইনেল অদু তোঙান–তোঙনবা লৈবাকশিংদগী লাকপা সুট্টর ৮ না লম্বা তৌনখিবনি। ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডল অদুসু ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সুট্টর আর্জুননা পোইন্ট ২৩৭.৭ দা ফংবা ঙমখি।

ইভেন্ট অসিগী ব্রোঞ্জ মেডলনা চাইনিজ তাইপৈগী সুট্টর হুৱাং ৱৈটেনা পোইন্ট ২১৮.০ দা ফংবা ঙমখি। ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী সুট্টর অনমোল পোইন্ট ১৯৫.১ দা মরিশুবা পোজিসন তাহৌখি।

মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্ট অসিদা সিলভর ফংখিবা আর্জুন সিংহনা ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা পুন্না পোইন্ট ৫৭৮ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক ওইবা ঙমখিবনি।

সৌরভ চৌধারিনা আর্জুন সিংহ সিমা অমসুং অনমোল জেনগা পেয়র ওইদুনা টিম ইভেন্টতা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখি। মখোয়না ইভেন্ট অসিদা পুন্না পোইন্ট ১৭৩১ ফংবা ঙমখি।

## বেয়র্ন ম্যুনিক, মেঞ্চেষ্টর সিটি অমসুং রিয়েল মাদ্রিদ চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা জুবেন্টসপু থোইখ্রে



*বেয়র্ন ম্যুনিককী মায়কৈদগী পাঞ্জল অনী চনখিবা রোবার্ট লিৱান্দোস্কিনা পাঞ্জল চনখিবা মতাং*

*বর্লিন। লন্দন, নবেম্বর ০৮ঃ*

য়ুরোপকী ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মকোক থোংবা ওইরিবা য়ুইএফএ চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট জর্মনিগী ক্লব বেয়র্ন ম্যুনিক, ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটি অমসুং স্পেনগী ক্লব রিয়েল মাদ্রিদ মখোয়–মখোয়গী গ্রুপশিংগী লীগ মেটচশিং মায় পাক্তুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ইটালিগী ক্লব জুবেন্টসপু ২–১ দা থোইখ্রে।

জর্মনিগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব বেয়র্ন ম্যুনিক্না ঙসি শান্নখিবা 'ই' গী ৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা গ্রিসকী ক্লব এইকে এথেন্সপু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নবগী ৩১শুবা মিনটতা বেয়র্ন ম্যুনিক্না ফংখিবা পেনাল্টি অমদা রোবার্ট লিৱান্দোস্কিনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিলথারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি। অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৭১শুবা মিনটতা টিম অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা রোবার্ট লিৱান্দোস্কিনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা মেটচ অদু ২–০ দা মায় পাক্তুনা রাউন্দ ওফ সিক্সিটিন য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'এফ' কী মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইংলেন্দগী চেম্পিয়ন ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটিনা য়ুক্রেনগী ক্লব সাখটার দোনেটস্কবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৬–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা গ্রুপকী মকোক ওইনা নোক আওট ষ্টেজগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোই দেবিদ সিলভানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি। ২৪শুবা মিনটতা টিম অসিনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা গাব্রিয়েল জেজসনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা ২–০দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল ৪ মখা তানা চনবা ঙমদুনা মেটচ অদু ৬–০ দা সাখটার দোনেটস্কপু মায়থিবা পীরমখি।

চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'জি' গী ৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা স্পেনগী ক্লব রিয়েল মাদ্রিদনা জেক রিপব্লিক্কী ক্লব ভিক্তোরিয়া প্লিজেনবু পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা গ্রুপকী মকোক ওইনা নোক আওট ষ্টেজ য়ৌখি।

রিয়েল মাদ্রিদকী পাঞ্জলশিং অদু কারিম বেঞ্জেমানা অনী (২১ অমসুং ৩৭শুবা মিনট), কেসেমিরো (২৩শুবা), জেরেথ বেল (৪৯শুবা) অমসুং টোনি ক্রুজনা (৬৭শুবা) মিনটতা চনবা ঙমখিবনি।

গ্রুপ (ঐচ) কী ঙসি শান্নখিবা ৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ইটালিগী ক্লব জুবেন্টসপু পাঞ্জল ২–১ দা থোইরমখি। মায়থিখ্রবসু জুবেন্টস মাঙজৌননা নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখ্রবনি।

## ইন্দিয়াগী নুপী শান্নরোইশিংনা অহানবা ওইনা ৱার্ল্ড টি–২০ ক্রাউন লৌনবগীদমক ঙসি ন্যু জিলেন্দগা শান্নদুনা কেম্পেইন হৌদোক্লগনি

*গুয়ানা, নবেম্বর ০৮ঃ*

ৱেষ্ট ইন্দিজনা য়ুম্বু ওইরগা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা ৱার্ল্ড ৱুমেন্স টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা অহানবা ওইনা ক্রাউন লৌননবগীদমক ন্যু জিলেন্দগা শান্নদুনা কেম্পেইন হৌদোক্লগনি।

ৱার্ল্ড টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়ানা মমাঙগী পাঙথোকখিবা ইদিসন ৫ দা অমুক্তফাওবা টাইটল লৌবা ঙমখিদ্রি। টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজখিবা পার্ফোমেন্সতি কুমজা ২০০৯ অমসুং ২০১০ দা সেমি ফাইনেল য়ৌখিবা অসিনা ওইরি।

ৱুমেন্স ৱার্ল্ড টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙদা পাঙথোকখিবা ইদিসন অহুমদা ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিম গ্রুপ ষ্টেজ লাম্থোকপা ঙমখিদবনি।

ইন্দিয়ানা গ্রুপ 'বি' দা ন্যু জিলেন্দ, পাকিস্টান, আয়রলেন্দ অমসুং অহুল্লক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা ওষ্ট্রেলিয়াগী টিমগা তামিন্নরি।

ৱুমেন্স ৱার্ল্ড টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং অহানবা মেটচ ওইনা ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দগা শান্নগনি। ইন্দিয়ানা মখোয়গী অনীশুবা গ্রুপ মেটচ ওইনা থা অসিগী ১১ দা পাকিস্টানগা শান্নগনি।

অহুমশুবা গ্রুপ মেটচনা নবেম্বর ১৫ দা আয়রলেন্দগা শান্নরবা মতুং অরোইবা মেটচ ওইনা থা অসিগী ১৭ দা ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নগনি।

ৱুমেন্স ৱার্ল্ড টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অদুদি– হর্মনপ্রিত কোর (কেপ্টেন), টানিয়া ভাটিয়া (ৱিকেটকিপ্পর), ইকটা বিষ্ট, দায়ালান হেমলাথা, মান্সি জোসি, ভেদা কৃষ্ণমুর্থি, স্মিৃতি মন্ধনা, অনুজা পটিল, মিথালি রাজ, অরুনদাথি রেদ্দি, জেমিমাহ রোদ্রিগেজ, দিপ্তি শর্ম্মা, পুজা ভাষ্ট্রাকর, রাধা যাদব অমসুং পুনম যাদবনি।

**ICC Women's World T20 2018 Schedule in IST**

| Date (IST) | Matches | Time (IST) | Venue | Group |
|---|---|---|---|---|
| Nov 9, Friday | New Zealand vs **India** | 8:30 p.m | Providence Stadium, Providence | B |
| Nov 10, Saturday | Australia vs Pakistan | 1:30 a.m | Providence Stadium, Providence | B |
| Nov 10, Saturday | Windies vs Bangladesh | 5:30 a.m | Providence Stadium, Providence | A |
| Nov 11, Sunday | England vs Sri Lanka | 1:30 a.m | Darren Sammy Cricket Ground, St. Lucia | A |
| Nov 11, Sunday | **India** vs Pakistan | 8:30 p.m | Guyana National Stadium | B |
| Nov 12, Monday | Australia vs Ireland | 1:30 a.m | Providence Stadium, Providence | B |
| Nov 13, Tuesday | England vs Bangaldesh | 1:30 a.m | Darren Sammy Cricket Ground, St. Lucia | A |
| Nov 13, Tuesday | Sri Lanka vs South Africa | 5:30 a.m | Darren Sammy Cricket Ground, St. Lucia | A |
| Nov 14, Wednesday | Pakistan vs Ireland | 1:30 a.m | Providence Stadium, Providence | B |
| Nov 14, Wednesday | Australia vs New Zealand | 5:30 a.m | Providence Stadium, Providence | B |
| Nov 15, Thursday | Sri Lanka vs Bangladesh | 1:30 a.m | Darren Sammy Cricket Ground, St. Lucia | A |
| Nov 15, Thursday | Windies vs South Africa | 5:30 a.m | Darren Sammy Cricket Ground, St. Lucia | A |
| Nov 15, Thursday | **India** vs Ireland | 8:30 p.m | Providence Stadium, Providence | B |
| Nov 16, Friday | New Zealand vs Pakistan | 1:30 a.m | Providence Stadium, Providence | B |
| Nov 17, Saturday | England vs South Africa | 1:30 a.m | Darren Sammy Cricket Ground, St. Lucia | A |
| Nov 17, Saturday | Windies vs Sri Lanka | 5:30 a.m | Darren Sammy Cricket Ground, St. Lucia | A |
| Nov 17, Saturday | **India** vs Australia | 8:30 p.m | Providence Stadium, Providence | B |
| Nov 18, Sunday | New Zealand vs Ireland | 1:30 a.m | Providence Stadium, Providence | B |
| Nov 19, Monday | Windies vs England | 1:30 a.m | Darren Sammy Cricket Ground, St. Lucia | A |
| Nov 19, Monday | South Africa vs Bangladesh | 5:30 a.m | Darren Sammy Cricket Ground, St. Lucia | A |
| **Semi-Finals** | | | | |
| Nov 23, Friday | A1 vs B2 | 1:30 a.m | Sir Vivian Richards Cricket Ground, Antigua | |
| Nov 23, Friday | A2 vs B1 | 5:30 a.m | Sir Vivian Richards Cricket Ground, Antigua | |
| Nov 25, Sunday | **Final** | 5:30 a.m | Sir Vivian Richards Cricket Ground, Antigua | |

## ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু অমসুং কিদম্বী স্রিকান্থ নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, নুপাগী দবলসতা রানকিরেদ্দি অমসুং সেথিসু ক্বার্টর য়ৌখ্রে



*নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী সিন্ধু অমসুং স্রিকান্থ*

*ফুঝৌ, নবেম্বর ০৮ঃ*

চাইনাগী সিটি ফুঝৌদা চত্থরিবা য়ুএস দোল্লর ৭০০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা ফুঝৌ চাইনা ওপন বেদমিন্টনদা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু অমসুং কিদম্বী স্রিকান্থ নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে। ইন্দিয়াগী নুপাগী দবলসকী পেয়র এস রানকিরেদ্দি অমসুং চিরাগ সেথিসু কাঙলুপ অসিদা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

ফুঝৌ চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা থাইলেন্দগী বি ওংবামরুংফানবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

অহানবা গেম সিন্ধুনা ওংবামরুংফানবু হিরম খুদিংমক্তা লাকশিন্দুনা শান্নখিবদগী য়াম্না লায়না ২১–১২ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

গেম অমা মাঙজিল থারবী ইন্দিয়াগী সিন্ধুনা অনীশুবা গেম অদুদসু মহাক্কী ফজবা মশান্না অদু মখা তানা চত্থবা ঙমখিবদগী ২১–১৫ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৮শুবা সিদেদ চাইনাগী হি বিংজিয়াওগা শান্নরগনি।

চাইনাগী হি বিংজিয়াওনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা কানাদাগী মিসেল লিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১৮–২১, ২১–১৩, ২১–১৮ দা থোইরম্বনি।

৫শুবা সিদেদ শান্নরোই স্পেনগী কেরোলিনা মারিননা চাইনাগী চেনবু অনীশুবা রাউন্দদা ২১–১৭, ২১–১১ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা অনীশুবা সিদেদ জপানগী অকানে য়ামাগুচিবু ২১–১৮, ২১–১৮ দা মায়থিবা পীরম্বী য়ুএসএগী বৈৱেন ঝাংগা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্থনা ইন্দোনেসিয়াগী টোমি সুগিয়ার্টোবু গেম অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ১০–২১, ২১–৯, ২১–৯ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেনগা শান্নরগনি। চৌ টিয়েন চেননা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা মালেসিয়াগী লিয়ু দিবু ২১–১৫, ২১–১৯ দা থোইরম্বনি।

ফুঝৌ চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী পেয়র এস রানকিরেদ্দি অমসুং চিরাগ সেথিনা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র দল্লিয়ু নায়াকা অমসুং এ য়ুসুফপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং ১৬–২১, ২১–১৪, ২১–১৫ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## এটিপি ফাইনেলসতা রুশিয়াগী রুব্লেভ অমসুং স্পেনগী মুনার মায় পাকখ্রে



*রুশিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেভ*

*মিলান, নবেম্বর ০৮ঃ*

ইটালিনা য়ুম্বু ওইদুনা চত্থরিবা নেক্স জেনেরেসন এটিপি ফাইনেলসকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ মেটচশিংদা রুশিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেভ অমসুং স্পেনগী জোমী মুনার মায় পাকখ্রে।

নেক্স জেনেরেসন এটিপি ফাইনেলস অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'এ' গী মেটচ অমদা স্পেনগী জোমী মুনারনা য়ুএসএগী ফ্রান্সেস টিয়াফোবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীখি।

অহানবা সেটতা স্পেনগী জোমী মুনারগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজনা শান্নরকপদগী য়ুএসএগী ফ্রান্সেস টিয়াফোগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৪–১ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা শোত্থরবা য়ুএসএগী ফ্রান্সেস টিয়াফোনা অনীশুবা সেটতা য়াম্না কন্না শান্নবা ঙমখ্রবসু স্পেনগী মুনারনা টাই ব্রেক্তা ৪–৩(৭–৩) দা থোইদুনা সেট অনী মাঙজিল থাখি।

অহুমশুবা সেটতা মুনারনা য়াম্না হেন্না ফজখিবদগী টিয়াফোবু য়াম্না লায়না ৪–১ দা থোইদুনা মেটচ অদু মায় পাকপা ঙমখি।

নেক্স জেনেরেসন এটিপি ফাইনেলস অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'বি' গী মেটচ অমদা রুশিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেভনা ইটালিগী শান্নরোই লিয়াম কারুনাবু ষ্ট্রেট সেটতা ৪–৩(৯–৭), ৪–১, ৪–২ দা মায়থিবা পীরমখি।